## এডিটোরিয়েল

# মীখল নকশিল্লকপদা লৈঙাক্কী মনুং–মপান খাইরকপা

*কংগ্রেসনা লুচিংবা সরকার অসিনা মণিপুরদা পাল্লকপা অসি চহী ১৪ মপুং ফাখ্রবনি। শাংলবা চহী ১৪ অসিদা হোম দিপার্টমেন্ট অমসুং অতৈ হকশেলগা মরী লৈনবা অমদি রেভিন্যু দিপার্টমেন্টনচিংবা খরগী অৱাংপা ফমশিং লৌবা অমদি রিক্রুইটমেন্ট রেল্লিশিং পাঙথোকপা নত্তনা অতোপ্পা দিপার্টমেন্ট অমতা হন্না য়েংশিনখিবা লৈতে। মসিদগী দিপার্টমেন্ট খরদি মেনপৱার ৱাংতুনা চপ চানা মথৌ তৌবা ঙমদ্রবনি। হৌজিকসু মী ৱাংপদগী হেন্দোক্তুনা থবক পুনবা প্রোমোসন পীগদবা লাইন তৎখিদুনা নম্ফুদা সেক্রেটরিয়েটকী ওফিসারশিংনা পুবদগী থবক শুবা ঙমদবা কয়া অমসু য়াওদবা নত্তে। অদুবু মীখল নকশিল্লকপসিদা অতোপ্পা শিথরবা দিপার্টমেন্টশিংগী থোইদোক্লা খনদ্রবসু তঙাইফদনা লৈঙাক অসিদা মরাল থংজিল্লকপা য়াবা এডুকেসন অমদি রুরেল দিভলপমেন্টকী অৱাংপা ফমশিং লৌগনি অমদি হান্না থবক পুরবশিং রেগুলরাইজ তৌরগনি হায়বা ৱাফমশিং মপুং ওইনা য়েংবা মতমদা লৈঙাক অসিনা মীয়ামদা নমথাক তৌবা ওইনা থোক্কদ্রা হায়বসি খল্লহন্নিংই। মণিপুরদা অমুক জেনরেল ইলেক্সন অমা এসেমব্লিগী ওইনা পাঙথোক্কদবা মতমসু লাক্কদৌরবনি। অসিগুম্বা তাঙ্কক অমদা সরকারনা দিপার্টমেন্টশিংবু নুংশিবা শারকপসি মীখলগী খল্লগা মীয়ামদা তাৎ তৌবা ওইনা তারোইদ্রা। লুরিবদি সেন্টরদা পোলিটিকেল চেঞ্জ অমা লাকখ্রবা মতুং ষ্টেট লৈঙাক অসিদা তারক্লিবা পোলিটিক্সকী মমি অসিনি। মসিনা মরম ওইরগা হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিগা সেন্টরদা লৈরিবা লৈঙাক্কা চাউনা শিংনবা কয়া অমা লৈরে হায়বসি ইফোঙ ফোঙলবনি। মসিনা মরম ওইরগা নঙলরোইদবা মতম অমা লৌরগা নৎত্রগা খল্লগা দিপার্টমেন্টশিংগী অৱাংপা মীওইশিংগী ফম লৌগনি হায়রকপসি ৱাখল খরা হেন্না খনবা ঙম্বা মীওইশিংনদি নোক্নিংলম্বসু য়ারিবনি। মমাঙদা পুলিস কন্সটেবল লৌবগী চাংয়েং পরিক্ষা লোইখ্রবা মতুং হায়দোক্তনা লৈরিঙৈ হায়বদি ভিবা–ভোসি টেষ্ট তৌদুনা সেলেক্সন তৌনবা হোৎনদনা লৈ হায়বগী ঈহৌ লৈরিঙৈদা অমুক পুলিস কন্সটেবল লৌনবা নোটিফিকেসন থোক্কনি হায়না লাওথোক্লুবগী চয়েৎনবা কয়াঅমসু থোক্লিবনি। মসিদা মীয়ামগী মীহুৎশিংনা চীফ মিনিষ্টরদা সজেসন পীবগী থবক অমা ফাওবা লৈতবগুম তৌই। মসি মীহুৎশিংগী অশোয়বনি অমসুং কংগ্রেস মনুংদা চাউনা কনফ্লিক্ট অমা লৈরকপা অদু কন্ট্রোল তৌনবা অমসুং মদুগী অহোংবদু মিকাদুনা লৈবনা মীহুৎশিংগী মথৌ ওইখি। মসিদগী মীহুৎশিং অসি লৈঙাক হৈতবা অমদি মীয়ামগী খন্দবা ঙাক্তা ওইনা মীয়াম্না উনখি। মসিদগী লাক্কদবা চৈথেং অদুগী খল্লগা থবক লৌবগী ৱাফমসি লাকপা ওইগনি অমসুং মদুনা মীহুৎশিংগী কোতাদা ফমশিং অদু য়েম্থোক্নরগা হাপ্পবা থৌশিল অমা ওইবসু য়াই।*

*অদুনা লৈঙাক অসিনা হন্না য়েংদ্রবা অমদি থৌশা ৱাশাদ্রবা মিনিষ্টরশিংগী পোর্টফোলিও ওইনা লৈরবা দিপার্টমেন্ট খরদি য়াম্না মরুওইবা ওইরবসু মদুদা হাংলিবা ফমশিং অদু য়েন্নবা কোন্নরোইদবা মরম্না ঙসিসু অমুক য়েংশিল্লুবা লৈতে হায়বসি লৈঙাকসিনা অমদি লৈঙাক মপুনা নৎত্রবসু মীয়াম্নদি উই। মসিদগী লাকপা চৈথেং অদু ঙসিগী লৈঙাক অসিনা ফংবা তাবনি অমসুং মদুদগী থোক্লকপা পূন্নমক্তুগী দাইত্বসু লৈঙাক মপুশিংনা অমদি ঙসিগী মীহুৎশিংনা পুফম থোকই। হৌজিক অসি কংগ্রেসনা লুচিংবা লৈঙাক অসিগী অহুমশুবা তার্ম লোইশিল্লক্লবা তাঙ্কক অমা ওইবনা ওপোজিসন পার্টিশিংনা লৈঙাক অসিগী মায়োক্তা অশোয়বা করি লৈরিবগে হায়বদু য়াম্না কননা য়েংশিল্লীবা মতম অমা ওইরবনি । এসেমব্লি ইলেক্সনগী নোটিফিকেসন ফাওবা থোক্লককপা য়াবগী ওইথোকপা কয়া লৈরিবনি হায়বসি মীয়াম্না ইখঙ খঙনবনি। মতাংসিদা দিপার্টমেন্টশিং নুংশিরকপা হায়বসি শেঞ্জা থুমজা খরা ফংহৌনবা তাৎলা হায়বসি মীয়াম্না হংলিবা ৱাফমনি। মসিগী মথক্তা হায়দোকপা ঙল্লরোইদবা ফম কয়া অমা কৌবগুম্না মীয়াম্না হৌজিকসু উরিবসি পুলিস কন্সটেবল লৌবগী রেল্লিদগী হৌরগা চয়েৎনবা কয়া অমা লৈহন্দুনা কোর্টতা কেস তৌনরিবশিং অসিনি। হৌজিক্কী পোলিটিকেল ফিল্ডদা তারক্লবনিনা হায়নিংবা মখৈ হায়বা হৌরক্লগনি অমসুং মশানা তৌখিবা থবকশিং অদুগী মরমদা লোৎশিল্লগা কোনশেং শাদুনা ঙাংবা হৌরক্লগনি। মদুদা মীয়াম্না কদাইফাওবা য়ৌনা মখোয়বু থাজরমগনি হায়বসি মশানা খনবা ঙল্লবরা হায়বা ৱাহং অসি হংনিংই। মদুগী পাউখুমসু পীবা ৱাগনি অমসুং মদুদা ইকাইখঙহৌদবদুনা মরম ওইরগা মখোয় মীয়ামগী লূচিংবা ওইগনি হায়বা ৱাফম অসি কদাইফাওবা য়ৌনা চুমগদগে হায়বদু মশা–মশানা খল্লফম থোকই। পূন্নমক অসি তোকথোক্লগা ঙসি মীখল নকশিল্লকপা মতমসিদা ইকজিক্যুটিবশিংগা লেজিসলেটরশিংগা লৈনরম্বা মরীদা খাইবুং তারকপগুম উরিবসিনা তাকপদি মনুং অমসুং মপান হায়বা অমা লৈঙাকসিদা মতম শাংনা লৈবনা মরম ওইরগা ঙসি ওইরিবা ফিভম অসি তাহনবনি হায়বসিদি শোয়গদবা মান্দে।*

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

# মীখলগী ওইনা ৱা ঙাংদবা তাবা!

*ইকায় খুম্নজরিবা এডিটর,*

*ইং ২০১৭ কী অঙনবা শরুক্তা ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সন হেক লাওথোরকপগা মণিপুরদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা থৌদোক খরদি থোক্লনি। কনানা থোকহনবা অঙকপা তাঙ্ককনো হায়বসিসু মীয়াম্না ময়েক শেংনা খংনরক্লগনি। ভুত শান্নবদি হৈরগা ভুত লোয়শিনবা হৈত্রবদদি মমৈদা ভুতনা নমদুনা হাৎলি হায়বদু পাউরৌ ওইরম্লে, তশেংনা ভুৎনা নম্লগা মী হাৎপগী ৱাফম নংলমদ্রে।*

*য়াম্না চরক চহিংনরিবা রাজনিতিগী তাঙ্ককসিদা হৈ–শিংবা শাবা খুদিংমক অপঙবা তারক্লগনি। মথং মথং তুম্মিন লৈনখিদুনা অশিংবা শাবা খরদি ঐদি লানখিদে হায়নবা তাঞ্জা ঙাইখ্রগনি হায়বসিসু অচুম্বনি। চংলুরবসু অভিমৈন্যুগুম লান্দা থৱায় কৎনিংদবা লীর–লীরবা রাজনিতিৱালা কয়ানা চয়োম শারীবা পার্টি অমা নৎত্রগা অনীগী তুংগী পোলোই নোক্নরকখিদৌরী। কনানা, প্রজাশিংনা।*

*চীংদসু, তমদা নত্তবা চীংদসু মনানা হৈমাং শাবনদি লৈবাক ঙাকপা ঙমখিরোই হায়নরি। অনৌবা ৱাখল্লোন হেন্না নৌমনবনা তম্মীগা চীংমীগা তোখাই তাহন্নিংদবনা মখোয়গীসু নিংজবা কাইখ্রবদি হেন্না কনশিনবা ইকোনোমিক ব্লোকেদ নত্তবা অনৌবা খুৎলায়সু পায়দবনা চীংমীনা চীংমী নৈরকপগী তাঙ্ককসু নকশিল্লক্লি হায়নরি। চীংসিবু কাংবু অমত্তনা খুন্দাবরনে হায়নবসু য়াওরিবসি কনাদা হংলি হায়বসু খংজিনবা ফৈ। খঙগদবদি অপুনবনা পাঙ্গল ওইরবসু পুন্সিন্নবা ৱাৎলীবরা হায়বনি। কনানা হিন্দুনো, কনানা মুসলিমনো, কনানা খৃষ্ট্যাননো, কনানা নাগানো, কনানা মৈতৈনো, মৈতৈতনা পূন্নমক তুং কোইনা ৱাখৈবা নত্তনা কনগীসু মতিক নত্তে।*

***অদোমগী***
***বি সি খুমন***
***ইম্ফাল***

# সাইবাবাগী থৌজাল ফংজখিবা ক্রিকেট শান্নরোয় অমা

**লৈবাকপোকপা খুদিংগী...**
**সত্যম–শিবম–সুন্দরম**
**কে সি নন্দ**

১৯৭০ অদুৱাইগী ৱানি। শুনিল গাবস্করগী মমাদি লাই য়াম্না নীংজবীনি, অদুবু সত্যসাই বাবাবুদি মহাক্না কয়া থাজরুদবগুম তৌরম্মী। নোংমা, শুনিলগী মমানা চাকথোংলিঙৈদা মখোয়গী চাকখুমদুগী অহাংবা ফক্লাংদা সত্য সাইবাবাগী শক্তম অমা থোরকপগুম উবা ফংখি। মমাদু ইঙাউ–ঙাউরমমী, ফক্লাংদুদদি লাই অমত্তা থেৎপাসু নত্তে। চাক–থোংবদু লোইশিল্লগা মহাক য়ুমদগী থোরকখি। য়ুমগী অনকপদা লৈবা লাই মখল মখল, খবরনচিংবসু য়োনবা দুকান অমদা চঙলগা লাই ময়ামগী অয়েকপা ফোটো চবুন–চবুন লৈরীবদু ফাক্কৎতুনা মহাক্না ফক্লাংদা উখিবা সাইবাবা হায়বদুগী অয়েকপা শক্তম অমত্তং য়াউবরা য়েংখি। থেংনদ্রবদুদা অতোপ্পা লাই য়োনবা দুকানশিংদা অমুক শুনিলগী মমানা চৎখি। মদুদসু, সাইবাবাগী ফোটো ফংখিদে। খরা নীংবা কায়না হল্লক্লগা ঈহান–হান্না চঙবা দুকান, মাগা হান্নশু, মশক খঙনবা নুপাদুদা সাইবাবাগী ফোটো অমত্তং লৈবরা থিবীয়ু হায়খি। তশেংবদি শুনিল মমানা হান্নরা থিখ্রবনি। দুকান্দার অদুনা লাইগী চবুনশিংদু ফাক্তুনা থিবদা সাইবাবাগী পিকচর অমা থেংনখি। মহাক্না মদু শুনিলগী মমাদা মমল লৌদনা পীরকখি। মমল পীরমগে হায়বদা য়াখিদে। মহাক্না অশুম্না হায়রকখি, ''ইতৈমা সাইবাবাগী পিকচর অসিদি ঐনা লৈরকপা লাইশিংগী মরক্তা হান্না য়াউখিদবনি। ঐ মসিগী মমল ইতৈমদগী লৌজনীংদ্রে, পুবীখ্রো।''

শুনিলগী মমানা হরাউনা সাইবাবাগী ফোটোদু পুরক্লগা কদাইদা থেৎশিগে হায়না কোইয়েঙ য়েংলগা মমৈথঙদা মচা শুনিলগী কাদা চঙলক্লগা লাইদু থেৎখি। শুনিলগী কা অদুগী থোঙ অদু হেক হাংদোকপদা ফক্লাংদা সাইবাবা থেৎলিবদু উবা ফংবনি। শুনিলগী মকুবোক ওইগদৌরিবা নুপা অদুদি য়াম্না ঈনাক খুনবা অমদি মীনা খঙনরবা মীশক অমনি। মচাদুপী অদু শুনিলদা পীসিরা পীরোইসিরা খন্দুনা লাকপদা শুনিলগী কাদা সাইবাবাগী পিকচর থেৎপদু হেক উবগা, নুপামচাসিদা ইচানুপী পীবা তারে হায়খি। শুনিল গাবস্করগী মকুবোকসু লাই য়াম্না নীংবনি, মাগী অরোইবা মতম লাকপদা '' সাইরাম'' হায়না শোনখিবনি।

১৯৭০ লোইরমদাইদা ইন্দিয়াগা ওষ্ট্রেলিয়াগা ক্রিকেট মেটচ শান্নখি, মদু এষ্ট্রেলিয়াদনি। ট্রাইয়েল ওইনা অহানবা শান্নবদা শুনিল তুশিন্দুনা মখোঙ থিনা শোকখি। মতমদুদা মীগী লমদা শান্নবা চৎপদা ইন্দিয়া টিম্না ডোক্টর পুরমদে। ওষ্ট্রেলিয়াগী ডোক্তরনা য়েংলগা শুনিলগী খোঙ নাম্মদু মনুংগী মশল তৎলে মদু ফরকপদা চয়োল অহুমলোম চঙগনি হায়রকখি। অহানবা টেষ্ট মেটচ শান্নগদৌবা চয়োল অমদি ৱাৎলি মতমদুদা।

শুনিলগী মখোঙ শোকখিবগী ৱাদু বোম্বেদসু তানখি। বোম্বেদগী পাউমী খরা মেটচ অদু কোবর তৌনবা ওষ্ট্রেলিয়া চৎনবা থৌরাং তৌখি, মখোয়না চৎলমদাইদা শুনিলগী মমাগা উনখি। মমাইবেম্মানা সাইবাবাগী ''বিভুতী'' পেকেট খরা মখোয়দা পীরকখি। মমানা হায়রকপগী মতুংইন্না অশোকপা মফমদুদা বিভুতী'দু তৈখি অমসুং খরসু ঈশীংদা হাপ্তুনা থকখি।

ক্রিকেট মেটচ হৌগদবা নুমীত্তুগী অয়ুক্তা শান্নবুংদা চৎতুনা শুনিলনা সিরী নাইবা ফম্ফমদুদা কাখৎ–কু মথা তৌদুনা চাংয়েং কয়ারক তৌখি। মাগী পুক্নিংদা অচেৎপা থাজবা অমা ফাওরদুনা মখোয়গী টিম–মেনেজরদা মহাক শান্নবা ঙম্লগনি হায়না পাউদমখি। অশুম্না মহাক করিশু তৌদ্রবা প্লেয়র অমা ওইনা মেটচ অদু শান্নখি। মতম খরা লৈরগা ভারত্তা ৱেষ্ট ইন্দিজগী ক্রিকেট টিম ভারত্তা লাক্তুনা চেন্নাইদা শান্নখি। চেন্নাইদা শান্নবা মেটচ অদু য়েংবা শ্রীসত্য সাইবাবাসু লাকখি, মদুদা শুনিলনা বাবাবু অহানবা ওইনা উবা ফংজখি। বাবাগী ফোটোদি কয়া উখ্রে, য়ুমদসু থেৎলি, অদুবু হকথেংননা উবদি মদুনা অহানবনি। বাবানা চঙশিল্লকপদা মাগী মায়থোং অদুগী অকোয়বদা মৈঙাল অমা লৈবগুম উখি। মথংগী নুমীত্তা বাবাগী দর্শন তৌবা চৎপদা ৱেষ্ট ইন্ডিজগী শান্নরোয় অলৱিন কালিচরন কৌবা, অমশু শুলিনগা চৎমীন্নখি। অহানবা দর্শন ফংখিবদুগী নুংঙাইবদু শুনিলনা অশুম্না ইখিঃ

– " The first sight of Bhagavan was most humbling experience in my life. It made me realise that there was Superior being, the Supreme Authority. He was standing in human form and sending these happy vibrations to all who had come here (Puttaparti)" (ঐহাক্কী পুন্সিদা ভগবানবু (সাইবাবাবু) অহানবা ওইনা উজবা ফংখিবদু ঐঙোন্দা মপুংফানা নোল্লুকপগী (ভক্তিগী) ৱাখল পোকহনখি। শক্তিপুম্বগী মপু ওইরীবা কনাগুম্বা অমা লৈ হায়বদু (নৌনা) খঙবা ঙমজখি। মফমসিদা (পুট্টপর্ত্তীদা) লাকলিবা মী খুদিংমক্তা, মীওইবগী শক্লোন্দা লেপলিবা (বাবা) মঙোন্দগী থক্তোরকপা মঙালনা পুক্নিং পেনবা পোকহনখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী ক্রিকেট টিমদা য়াউরকপা কালিচরন কৌবা নুপা অসি মাগী মপা –মমাদ ভারত্তগী হৌখিবনি। মখোয়সু সাইবাবাবু লাই ওইনা নীংজবনি। সাইবাবাগী দর্শন তৌরগা ঐগী ঐগী টিম্না শান্নবদা থোইহনবীয়ু হায়না বর নীবদা বাবানা মবানী মক্তা বরদি পীখিদ্রে, অদুবু জি আর বিশ্বনাথতা বর পীখি শান্নবদা বিশ্বনাথনা সেন্চুরী য়েদুনা, ভারতকী টিম্না থোইখি।

আলৱিন কালীচরনবু ঐখোয়না নুংশিনা ''কালী'' হায়না কৌই। ৱেষ্ট ইন্দিজদগী লাকপা ওইরবসু মাবুদি ভারতমচা অমগুম ঐখোয়না নুংশিনা খল্লি, মী ওইনসু ফৈ। সাইবাবাগী চহী ৭০ শুরকপগী ''বার্থ –ডে'' সেলেব্রেশন য়াউনবা কালী ভারত্তা অমুক লাকখি। বার্থডে সেলেব্রেশন পাঙথোক্কদৌবা নুমীৎ নীনীতা ঙায়রবদা মহাক বাবাগী লৈফম পুট্টপর্ত্তিদা য়ৌখি, অদুগা শুনিলদা ''ট্রাঙ্ক কোল'' তৌরকখি। ''শুনিল নহাক কমদৌরি? মুম্বাইদা করি থবক লৈবগে? ঐদি পুত্তপর্ত্তীদা লাক্তুনা লৈরে, নঙসু লাকউ ঐ নহাকপু ঙাইরিয়ে।'' মতমদুদা শুনিলদি ক্রিকেট শান্নবগা মরী লৈনবা টেলিবিজন সিরিয়েল অমদা থবক তৌদুনা য়াম্না চিনবা হায়বদু ওইখি। অদুবু অঙকপনি, মথংগী নুমীত্তা অখন্নবা ''চার্টর ফ্লাইট'' অমা থারক্তুনা শুনিলবু বোম্বেদগী পুত্তপর্ত্তী তান্না পুখি। মহাক মফমদু য়ৌবদা হায়নীংঙাই লৈতনা নুংঙাইবা ফাউখি। ভারতকী রাষ্ট্রপতি অমদি অতৈ অঙম–অথৌ ময়াম য়াওবা মালেমগী ওইবা সাইভক্তশিংগী চাউখ্রবা সভা অমাদা শুনিল ভাবস্করবু এনাউন্সমেন্ট তৌনবগী দায়ীত্ব শীন্নরকখি। কয়াদা ঙকখ্রবা সাইবাবাগী মীনুংশিনো!

চহী খরা লৈরগা সাইবাবাগী লৈফমদুদা ''য়ুনিটি কপ'' হায়না মীংথোনবা মালেমগী থাক্কী ক্রিকেট মেটচ চাং–তান্নবা অমা শীনখি। মালেমগী তোঙান–তোঙানবা লৈবাকশিংদগী লাকখিবা ক্রিকেট প্লেয়রশিংনা ভগবান সত্যসাঈগী দর্শন ফংজখি। সচীন তেন্দুলকরবু বাবা মখুৎমক্না মনঙ্গন্দা নানবীদুনা অশুম্না হায়বীখি, ''ঐহাক নঙগা লোয়ননা মতম চুপ্পদা লৈ হায়বা খঙউ।'' হায়রিবা চহী দুদা সচিন্না মীরমদা ক্রিকেট শান্নবদা সেঞ্চুরী কয়া ফুখি।

আমেরিকাগী মমীং লৈরবা পণ্ডিত সেমুএল সেণ্ডৱিসেসনা অশুম্না হায়খি– "..Dr Hislop told me, he saw swami (sai Baba) change into lord Krishna, and Prof. Kasturi of India told me that he saw Swami transform himself into Lord Siva Many such experiences have convinced me of Swami's loving omnipresence. Swami's closeness. closer than our breath, helps us remember that Man is God..."

(স্বামীনা শ্রীকৃষ্ণগী শকফমদা ওনখিবা থৌদোক (মশাগী মাঙদা) ডাক্তর হিস্লোপনা ঐঙোন্দা তমখি, ভারতকী প্রো. কস্তরীনা স্বামীনা শিব(মহাদেব) ওনখিবগী ৱারীসু লীখি। অসিগুম্বা থেংনখিবা থৌদোকশিংনা স্বামী অসি মফম পুম্বদা (মওং পুম্বদা) লৈ হায়বদু খঙহল্লি। ঐখোয় ইশাগী নুংশা শ্বর দগীসু হেন্না নকশিন্না ঈনাকতা স্বামীনা লৈবীদুনা মী হায়বসিসু লাইনি হায়বদু নীংশিংহল্লি।)

(শুনিল গাবস্কর মশামক্না ইরকখিবা আর্টিকল অমদা য়ুম্ফম ওইবা)

# হিন্দু ধর্ম্ম অমসুং ষড় দর্শণ–৬

**ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা**

হঠ যোগনা হকচাংবু অমসুং স্বরবু লাকশিন্নবা তাকই। হঠযোগনা রাজযোগদা চঙশিল্লি। রাজযোগসিমক যোগদর্শণনি। যোগসিদা কায়াৎ নীপান লৈ। মসিবু অষ্টাঙ্গ যোগসু কৌনৈ। মখোয়দুদি য়ম, নিয়ম, অসন, প্রাণায়ম, প্রত্যহরা, ধারণা, ধ্যান অমসুং সমাদ্ধি সিনি। অহানবগী কায়াৎ মঙাসিবু বাহিরঙ্গ যোগ অদুগা অকোনবগী অহুম হায়বদি ধারনা, ধ্যান অমসুং সমাদ্ধি অসিবুনা অন্তরঙ্গ যোগ হায়না কৌনৈ। য়ম হায়বা কায়াৎসিনা সাধক অমবু যোগ তৌবদা মতিক চাবা মী অমা ওইহল্লি। মসিদা পাঙথোক্কদবা নীতি মঙাখক লৈ – অহিংসা (অতোপ্পদা অৱাবা পীদবা), সত্য (অচুম্বা) , ব্রহ্মচার্য্য (ৱাখল, ৱাহৈ, থবক্তা শেংবা), অস্তেয় (হুরান্দবা), অমসুং অপরিগ্রহ (খুদোল লৌদবা)। মথংগী নিয়ম সিদসু পাঙথোক্কদবা নীতি মঙাখক লৈ – শৌচ (নুংপান শেংবা), সন্তোষ (পেন্থোকপা), তপস্য (খাঙ কনবা), স্বাধ্যায় (শাস্ত্র নৈনবা) অমসুং ঈশ্বর প্রণিধান (ঈশ্বরদা চঙজবা)। য়ম, নিয়ম অনীসিগী তরাসিবু মপুং ফানা পাঙথোক্লবা সাধক অমদা লমচৎ শাজৎ লুবা, মতিক চাবা মীওই অমা ওইহনবা ঙম্মী। পনখ্রিবা গুণ তরাসিগী মরু ওইবদি অহিংসানি, মরমদি অহিংসাবু সাধন তৌরিবা মহাক অদুম্মক অতৈ গুণশিংদি ঙাক্লবনি। মথংদা অমনা অসন লাকই। লেঙদনা লৈবা, মদুদা নুংঙাইবা পোকপা, কুইনা লৈবদা অৱাবা পোক্তবা হকচাংগী ফীভমদু ফংননবা অসন তৌই। মসিনা হকচাংদগী ফংগদবা নুঙাইতবা অৱাবা মখল খুদিংমকপু কোকহনবা ঙমই। প্রাণায়মনা শ্বরগী চাং পুবা ঙমহল্লি। হকচাং ফহল্লি। অরাম–খৌরাংবু জয় তৌবা ঙমহল্লি। পুক্নিংগী তথক তথকপা মতৌ কোকহল্লি। প্রত্যহরানা ইন্দ্রিয়শিংবু মখোয়গা মরী লৈনবা বিষয়শিংদগী চিংথোকপা তাকই। অসুম্না ইন্দ্রিয়শিংবু বিষয়শিংনা হেক হেক শুস্কৎপিদুনা মীওইবনা ফংনরিবা খুদোংথিবা কয়াদগী প্রত্যহরানা কনবীবা ঙমই। মসিফাওবদা বহিরঙ্গ যোগ লোইরে। মথংদা অন্তরঙ্গ যোগগী মনুং চন্না লৈরিবা ধারনা, ধ্যান অমসুং সমাদ্ধিনা নুংগী ওইবা শেমগৎপা, সাধনাগী নীতিশিং তাকই। পোশক অমখক্তদা পুক্নিংবু লেঙদনা থম্বা ঙম্নবা হোৎনবদুবু ধারনা, পোৎশক অমদা মতম শাংনা ঈরত্তনা পুক্নিংবু শুকহোং হোংহন্দনা থম্বদুবু ধ্যান অমসুং পুক্নিংবু পোৎশক অমত্তদা অসুক্কী মতিক কনশিন্না খনবদগী পোৎশক্তুগা খল্লিবা পুক্নিংদুগা অমত্তা ওইনা পুনশিনবা ঙক্ষনবা অদুবুনা সমাদ্ধি কৌই। ত্রকাগ্রতগী (পোৎশক অমত্তদা লেঙহন্দনা থম্বা) পাঙ্গলনা মীলইবনা অঙকপা শক্তি কয়া ফংবা ঙম্মী, মখোয়দুবু সিদ্ধি কৌই। সিদ্ধিশিংনা অঙকপা কয়া তৌহনবা ঙম্মী। রাজযোগীশিংনা সিদ্ধি ফংলবদা, মখোয়দুগী শক্তিদা শুস্কৎখিদুনা জীবনমুক্ত ওইবা ঙমদনা তোক্লে। সিদ্ধি হায়বসিমকসু সমাদ্ধি ফংনবগীদমক্তদি অপনবনি। সমাদ্ধিদা পুক্নিংদা থবক তৌদ্রে, ইন্দ্রয়শিংনা পুক্নিংনা তিনশিনখ্রে। পুক্নিংনা অশিবগুম লৈখ্রবদা উরিবা মহাক্তুগা উরবা মশক্তুগা অমত্তা ওইখি। অসিগুম্বা থাক অসিবু পটঞ্জলিনা স্বরূপাবস্থানম হায়না মাগী সত্রদা থম্বীরম্মী। সমপ্রঞ্জতা (খঙবা) ,অসমপ্রজ্ঞতা (খঙবদুবু খঙঙিবা) হায়বা থাকশিংসি সমাদ্ধিগী মনুং চনবা ঙাক্তনি। সমপ্রঞ্জতাগী থাক্তদি পুক্নিংসি মথৌ তৌদ্রবসু লৈরি হায়বা খঙবা ঙমই, মরম অসিনা সবিতক (অনীঙবগা লোয়নন), নির্বিতর্ক (অনীঙবা য়াওদনা), সবিচার (খল্লবগা লোয়ননা), নির্বিচার (খল্লরুবা য়াওদনা), সনন্দ (নুংঙাইবগা লোয়নবা) অমসুংসম্মিতা (ঐ অসি অখঙবনি, খঙলিবদু অতোপ্পনি হায়বা ৱাখল য়াওবা) হায়না খঙনবা মওংশিং অসিমপ্রঞ্জতাগী মনুংদা লৈবা মখলশিংনি। অদুগা অসমপ্রঞ্জতা সমাদ্ধিদদি 'ঐ' হায়বসে মাঙখ্রে, খঙলিবা মহাক অদুমক্তা 'ঐ'দু পুনশিনখ্রে।

পটঞ্জলি যোগদা পুক্নিংগী থাক মখল মঙা লৈ, ক্ষিপ্ত (বিষয়শিংদা কোয়চৎ চত্তুনা লৈরিবা পুক্নিং), মুঢ (পঙশিনবা), বিক্ষিপ্ত (ধ্যান অমসুং বিষয়ভাবকী মরক্তা পুক্নিংনা হাইদুনা লৈবা), একাগ্র (পুক্নীংগী চাইথোক্ত্রবা, অমত্তদা লৈবগী মতৌ) অমসুং নিরুদ্ধ (মপুং ফানা লাকশিল্লবা পুক্নীং)। হায়রিবশিংসি মথংশীৎনা রজ, তম, সত্ত্ব অমদি সত্ত্বদগী অসুম অসুম শেংদোরক্তুনা গুণগী ৱাংমদা লৈরকপগী মওংদা তাকই। পুক্নিংবু পাৎ ঈয়াইদা বৃত্তিনা ঈরৈ ওইদুনা পাৎকী ঈশিংদা তাবা পোৎকী মমিশিংবু মতৎ মতৎ থাদত্তুনা অশেংবা মশক খঙহন্দবগুম অপাম্বা, অশাউবনচিংবগী ঈথিলনা পীবা বৃত্তিশিংনা মথক মখা ওহল্লবা পুক্নিংনা পোৎকী অশেংবা মশক খঙহন্দে মসিগী ফীভমদা লৈরিবা অদুক্কী মখৈ পুক্নিং লৈতাবা লৈরোই, পুক্নিং লৈতাদ্রিবমখৈ জীবনমুক্তা ওইবা ঙমদে।

পটঞ্জলিনা অবিদ্যা (খঙদবা), অস্মিতা (নাপল–অহঙ্কার), রাগ–দ্বেষ (অপাম – পামদ), অমসুং অভিনিবেষ (পুন্সিসিদা অসুম নপশিন্নীংবা) হায়রিবা মঙাসিবু পুক্নিং মথক মখা ওলহনবা পঞ্চ–ক্লেশ কৌই হায়না তাকই। মখোয়বু যোগ সাধনা লেপ্তনা চথবতনা লাকশিনবা ঙম্মী। মখোয়সি মাঙখ্রবোই নীঙই অদুবু তাঞ্জা হেক ফংবগা হৌগৎলকই, মরম অসিনা মতম পূন্নমক্তা চেকশিনগদবনি। পঞ্চ–ক্লেশদি অসম–প্রঞ্জতা সমাদ্ধি ফংদ্রিবমখৈদি মাঙদে। অভ্যাস বৈরাগ্য মতম পূন্নমক্তা থাদোকফদে। পুন্সিগী পম্বুংদি প্রকৃতিগা পুরুষকা মপুং ফানা খাইদোক্লবনি। মদুতদা কৈবল্য ফংই।

৫. পুর্ব মীমাংসাঃ

বেদব্যাসকী শিষ্য জৈমিনি মহর্ষিনা পুর্ব মীমাংসা নৎত্রগা কর্ম মীমাংসাবু হৌদোকপীরম্মী। বেদগী মমাঙথংবা মন্ত্র অমসুং ব্রাহ্মণগী শরুক্তা তাক্লিবা কর্ম কাণ্ডগী মহর্ষিগী মীমাংসা সুত্রদা তাঙ্কক তরানিথোই লৈ। মসিদা যজ্ঞ মখল ময়াম অমসুং মখোয়গী মরমশিং, অপুর্বগী নিয়মশিং লোয়ননা দর্শনগী ওইবা অচুম্বা উৎপা ৱাফম কয়া য়াওরি। সবর, কুমারীলা, প্রভাকর নচিংবশিংনা সুত্রসিগী ভাষ্য ইবীরম্মী। প্রত্যক্ষ, অনুমান অমসুং শব্দ (বেদ) অহুম অসিবু লৌরগা জৈমিনিনা মহাক্কী দর্শণসি শাগৎখি। ধর্ম করিনো থিবনা দর্শণসিগী পান্দমনি। বেদনা অরেপ্পনি হায়বসিদা য়ুম্ফম ওই। জৈমিনিনা ঈশ্বরবাদপু য়ারবসু ঈশ্বরগী মতাংদা ময়েক শেংবা ৱাফমদি উত্তবগুম তৌই। বৈদিক ধর্মবু ঙাকপতনা অথোইবা নুংঙাইবা ফংগনি হায়বসি মহাক্কী পম্বুং ওইবা ৱাফম্নি। শ্রুতিগা স্মৃতিগা মত খেন্নরবদি শ্রুতিগী ৱাফম্না অরেপ্পা ওইনা লৌগনি। হিন্দু অমনা নিত্যকর্ম (সন্ধ্যা উপাসনা নচিংবা) অমসুং নৈমিত্তিক কর্ম (মতম মতমগী ওইবা মহোৎসবশিং) তঙায় ফদনা পাঙথোকপা অরান খুভম ফংবা ঙম্মী। মসি তৌদ্রবদি মহাক অদুনা পাপ তানশিল্লবনি, প্রত্যবয় দোষ লৈরবনি। কাম্য কর্ম তৌরগা থোইদোকপা অপাম্বা ফংবা ঙম্মী। নিষিদ্ধ কর্ম থাদোক্লগদি নরক্কী অকিবা থাদোক্লবনি। অসিনচিংবসি দর্শণসিগী পাউজেলনি। জৈমিনিনা যজ্ঞগী মহৈবু যজ্ঞ তৌরিবা মীদুদা পীরক্লিবা উদবা মরমদু অপুর্ব হায়না থোল্লি। অপুর্ব অসিমক অদৃষ্টনি। ঋষিসিগী মত মতুংইন্না হকচাং, ইন্দ্রিয়শিং অমসুং বুদ্ধিদগী আত্মাসি তোপই, আত্মাদি ভোক্তনি। হকচাং হায়বসিনা খঙউ–উরুবা ময়ামগী তুংনফমনি। ইন্দ্রিয়শিংনা মসিগী খুৎলায়নি। আত্মানা পুক্নিংগা পুনশিল্লগা পোৎ– চৈবু খঙই। মসিনা অৱা–নুংঙাইবু নুংগী অদুগা পোৎ চৈবু মপান্দা খঙই। আত্মাদি মাঙনাই পৎনাইদে, মফম খুদিংদা লৈ। আত্মাগী মশীং য়াম্মী। মহর্ষী জৈমিনিদি মোক্ষদা থাজরমদে। যজ্ঞ তৌবশিংনা স্বর্গদা চৎলি, মফমুদদা নুংঙাইবা ফংই। মহাক্কী মরুওইবা পাউতাক 'সত্যম্ বদ, ধর্মম্ চরক্ষ )অচুম্বা ঙাঙ্ঙু, ধর্ম পাঙ্ঙু–নথৌ তৌ) হায়বসিনা লমচৎ ফজনা, বেদনা তাকপা কর্মশিং নীংথিনা পাঙথোকপতনা স্বর্গ ফংনবগী উপাইনি হায়বসি তাকই।

দর্শণ অসিদা মোক্ষগী ৱাফম প্রভাকরনচিংবা ভাষ্যকারশিংনা পুরকখি। যজ্ঞ খুদিংমক, কর্ম কাণ্ডগী ৱায়েল খুদিংমক ঈশ্বরদা কখোকপা ওইনা পাঙথোক্লবতদা মুক্তি ফংগনি হায়বসি কোন্না হাপচিল্লকপনি হায়।

(মখা মথং লৈপাকপোকপা)

কর্টেসি – *হিন্দু ধর্ম্মগী শক্তম ঃ*